# কুকি ড্রিমস - মঙলাক্নবা হৌরকপদা



- এস ইন্দ্রকুমার-

ঙসি ওইরিবা ঐগী ৱাখলগী থাক অসি করিনো? ঐহাক তশেংনা হায়ফম খঙদে। পল্লেপফম খঙদবা লম্বী অমদা লেপ্তুনা চৎলকপা খোঙচৎ অমগী লম্ফাংনবা লম্বী লমখায় অমদা, লম্বী চৎপা অমনা কদোমদা চৎলগা মাগী পন্থুং য়ৌগদগে-খনফম খঙদবা তানফম অমা মায়োক্নরকপা অদুগুম্বনি। খোঙজেন তপ্না চেল্লকপা লমজেল্লোয় অমগুম, ১৯৪৯ লোইরমদাইদগী ইন্দিয়ন হায়বা শক্তাক ৱাহৈ অদুগা লোয়ননা য়াওরকখি মালেমগী ওইবা চাওখৎপগী লমজেলদা। চহী হুম্ফুতরা মঙা মপূম ফাখ্রবা খোঙজেল তপ্লবা লমজেলদুগী মতাংদদি ঐবু কূপ্না ইহনবীরনু। মালেমগী ফূরূপ অতৈদগী পূমতোঙ তোঙানবা, তোমথিন ওইবা শক্তম অমা শাগোন্ননা হিংলম্বা, মীরমদগী হাইজিল্লকপা মীতোপশিংনা লমদমসিগী মহৌশাগী শক্তমদা শীংনরকপা অমদি য়েলহৌঙৈদই লৈরকপা মীওইশিংগী পূন্সি শক্তম খোঙলৈ-থুনা হোংলকখিবই ৱারীদুনা থম্মোয় লাইমন ওইহল্লি।

ঙসিদি, খোঙজেল-য়াঙনা চেল্লক্লিবা মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা, মণিপুর, মাঙলোমদা নত্তবা তুং-হন্ননা চেল্লবা লমদম অমা ওইরক্লে। কুম্মাথোইশুবা চহীচাগী দিকেদ অনী তঙ্খায় হৌজিল্লক্লবা মতমসিদা, ঐখোয়না হিংলিবা পূন্সি মহিং... তিল্লাং খয়োৎনরগা ইশাদা অমুক্তা হংবীয়ু- 'সিবু পূন্সি কৌবরা'? ইশাগী ইরমদম অসিদা কাঙলূপ অমগী মীওইশিং, অতোপ্পা কাঙলূপ অমগী মীওইশিংনা খুন্দাবা লমদা চৎপা ঙমদবা/য়াহন্দবা! ... নেশনল হায়ৱে অমদা অকক্নবা মীওই কাঙলূপ অমগী মী চৎপা য়ারোই, শিবই চৈরাক পীগনি- দেন এন্দ দ্যার, মফমদুমক্তদা হাৎকনি-কিহন্দুনা চৎহন্দবা... মালেমদা খ্বাইদই কনবা লৈবাক (সুপর পৱার) অমনি তেমশিংননবা হোৎনরক্লিবা ইন্দিয়া'গী লৈঙাক লুচিংবশিং ... ঐবু করি হায়সিগে! ৱাহৈ থিফম খঙদে ঐ। খনবমখৈ খল্লুরগা, ঐদি হায়নীংই - লৈবাক (ষ্টেট) সিনা ঙসি ওইরিবা য়েংহৈদ্রবা শক্তম, লৈবাকসিবু ঙাক্লকখিবা, লৈঙাকপা নত্তবা লৈঙাকপশিংদুনা থোকহনবনি। মরৈবাক/মীরমদম নুংশিবা পোলিটিসিয়ন অমত্তনা লমদম অসি ঙাক্লকখিদে। লমদমসিগী এম এল এ/এম পি/মিনিষ্টর অমত্তনা তৌফম থোকপা পোলিটিক্স'তু তৌখিদে। মখোয় মশা-মশাগী ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈগী য়াইফনবা নত্তনা লৈবাক্কী ৱাখল খনখিদে। মরৈবাক্তুদা চহী চাম্মগী তুং ওইরক্কদবা শক্তমদু উবা ঙম্বা মহাক্তনা পোলিটিসিয়ন ওইগদবনি হায়বা ৱাখলদু লৈবাকসিগী পোলিটিসিয়ন অমত্তগী ৱাখলদা পোকখিদে। মরমদুননি - চহী হুম্ফুতরামঙাগী তুংসিদা, লমদমসিগী লৈঙাক্লোন ঈরোলনুংদা লূপখ্রিবা! হৌজিক্তি তশেং তশেংলে - লমদমসিদা ঙসি লৈঙাকপা ওইনা ফম্বাক লীলা শান্নবগুম শান্নরিবশিং, ইন্দ্রিয় ফেল ওইরবা পেরালাইসিস তৌরবা, লেঙবা-ওৎপা ঙমদ্রবা হকচাংশিংগা পাঙ্খক্লি। মখোয়দগী ঐখোয় করিমত্তা আশা তৌরগুমসি। ঐখোয়সু ঈথৌ তৌরসি। মখোয় পুল্লপ শিন্দোকসি। অঙম্বা/অথৌবনি পোজ তৌজরিবশিং-ময়ূম ময়ূমদা নিংথৌ ওইনা ফমহনসি, লৈকায়দা খোঙ্গুল তাহনগুমসি। লৈবাক ঙাকপা হায়'সিবু অসুম' তৌনবরা? হংসি মখোয়না চাক্লিবা অমগুম থোঙজিন্দা লেপ্পরবা মতমদা।

ফরে! মখোয়গী ৱারী তোকখিসি ঙাইহাক পুংগোয় খরদং। হৌজিকমক্কী ওইনসু মখোয় করিমত্তা ওইদ্রবনি। করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবনি। ঐহাক্কুম্বা/নহাক্কুম্বা অমমমনি। পি আর লোইখিদুনা মখোয়গী মতিক-মঙম অমুক হন্না পীরক্ত্রিঙৈ ফাওবদি মখোয়গী ৱাখল কাউখিসি। কৈ-নোংশাগুম্না খঞ্জবা, কুকি এম এল এ তরাদুসু য়াওরবনি, ঐনা পঞ্জরিবা খরসিদা। মণিপুরদগী তোখায়বা, কুকিশিংতগী ওইবা 'সিপরেট এদমিনষ্ট্রেটিভ য়ুনিট' অমা শেত্তোক্তুনা লীংদ্রিমখৈ মীতৈ হাৎপা লেপখিরোই, মীতৈ ফূরূপ মূখৎকনি লাউরম্বা কুকিশিং, ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি'না 'সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন ফোর কুকিজ হায়বা দিমান্দদুদি সুপ্পী পীরোই, খন্নরোই' হায়রকপদগীদি কুকিশিংসু ৱাচোয় ঙাঙলক্লেদনা... 'কুকিশিংনা মণিপুরদগী তোখায় তাদুনা সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন তৌজবা, তোঙানবা লেজিসলেচর লৈজবা-য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা শেমগৎপদা পাম্বা অমসুং পামদবা কুকি মশীং কয়া কয়া লৈ খঙদোক্লবা রিফরেন্দম অমা পাঙথোক্লনি'...। রিফরেন্দম, প্লেবিসাইট'সু হায়নবা ৱাহৈ অসি ভোট মখল অমনি, পূম্নমক্না খঙনরে। কুকিশিংনা খল্লি, খঞ্জে - 'অসামদগী নাগা হিলস দিষ্ট্রিক্টপু প্লেবিসাইট অমা পাঙথোক্লগা নাগালেন্দ ষ্টেট শেমখিবদুগুম, মণিপুরদসু কুকিশিংগী মরক্তা মণিপুরদগী তোখায় তানীংবা কুকি মশীং কয়ানো হায়বদু ভোট তৌদুনা খন্দোক্লগা, মদুনা মশীং হেল্লবদি তোঙানবা কুকিলেন্দ অমা শেম্বই মঙলান মঙফাওনগনি'। রিফরেন্দম অসিগীদমক ভোটরশিংনা শীজিন্নগদবা বেল্লোট পেপরনচিংবা নমদুনা কুকি মীয়ামদা য়েন্থোকখিবগী সেম্পল সোশল মীদিয়াদা উনখ্রবনি মীয়াম্না। করম্বা মওংদা, করম্না, প্লেবিসাইট পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী রিফরেন্দম লৌগদগে? লাইরিক হৈবা, এদভান্স ওইবা কাঙলূপসি মখোয়নি-খঞ্জরিবা কুকিশিংদি খঙলম্লোই। মখোয়না খল্লিবা ৱাখলসিনা অচুম্বা ওইরম্লবা করিগুম্বা-ইন্দিয়াদগী তোখায়বা নাগা নেশনগী 'নাগালিম' শেল্লম্লনি নহান্না। নম্ফু-হাফু তৌদুনা নীংতম্বা লৈবাক ওইজরম্বা মণিপুর'সু, লানহৌবই ঈরাং লোইশিন্দুনা হান্নগী নীংতম্বদু হঞ্জিল্লম্লনি।

তৌজসনু তৌনীংবা, ঙাঙজসনু ঙাঙনীংবা। হায়রিদনা মখোয়সু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনবু ইকায়খুম্নে। ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনসু, মাঙলমচত্তা তৌখিবা মখোয়গী অশোয়বা খরদগী পাঙ্গল থোকপা ঙমদনা, লমহেন তুহেনবা কুকিশিংনা কন্সটিট্যুশন শীংনদুনা আইন'না য়াদবা থবক কয়া তৌবদা য়েংদুনা লৈরিবা-মরম খর লৈবননি খন্দোকসি। অসুম্ন'সুম মখা তানা পর্মনেন্ট ওইনা কুকিশিংবু মনীং তমহল্লোই হায়বসি ঐগীদি 'হোপ এগেনষ্ট হোপ' হায়বদুনি। মমীৎ লাউবা, নাতোন চাউবা হোম মিনিষ্টরদুসু ঙসিদি হায়রক্কনি খল্লুদবা ৱা অমা হায়রক্লেদনা... 'ইন্দিয়া হায়বসি ধর্মশালা অমা নত্তে'...। মানা রিফ্যুজ তৌরিবা-কাঙলোন কায়না চঙলকপা মীতোপ (ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট) শিংগী ইস্যুনি-খঙলমগনি কুকিশিং। মণিপুরদা ঙসি চরাঙনবা থোক্লিবা, য়ূমলোন্নবা লৈবাক ম্যান্মার (বর্মা) দগী লোন্না-থুপ্না, কাঙলোন কায়না চঙলকখিবা চিন-কুকি মীওইশিংনা থোকহনবনি-খঙই তাইবঙ পূম্বনা। ঈরাংসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা, করম করম্বা কুকি-লিদর, বর্মাদগী লাকপনো? মালেমদা শবাক ফাকখ্রবনি। হোম মিনিষ্টরগী এন্নাউন্সমেন্ট অসিনা মথম্মোয়দা চৈনা অমা পোকহল্লম্লোই করিগী! নৌনা চঙলকপা (বর্মিজ) কুকিশিংনা, হান্নদগী লৈরকপা কুকিশিংগী মথক্তা হেন্না খূৎকন-পাঙ্গন'না পাল্লকপদই থোক্লক্লিবা ৱাথোক্লি। চুড়াচান্দপুরগী সিটি-এরিয়াদা এরিয়া-দোমিনেশন তৌনবা হোৎনরকপদগী থোকখিবা অমসুং থোক্লিবা থৌদোকশিং-করিগীনো? করম্নো? ঐবু ইহনবীরনু। নেশনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) করিগীদমক শেমখিবনো? লমদমসিগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংনদি হরাওবা, নারোন্দা হাইজিল্লকখিবা মীওইশিংনদি খোয়শাউনবা ইস্যু অমনি। থা অহুমগী মনুংদা মণিপুরগী এসেমব্লি সেগমেন্টশিং দিলিমিটেশন তৌনবা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংদা কুকিশিংনা হরাওরিবা, মীতৈশিংনা নুংনাংলিবা-তোঙানবা মরম অমমমগীনি। পাউলিয়েনলাল'না থাজৈ-অরানবা পাম্বে শীজিন্নদুনা ফোঙহনখিবা ভোটর লিষ্ট, নেচরেল ওইবা হ্যুমেন-গ্রোথ-রেট'তগী কা হেন্না হেনগৎনা ফোঙখ্রিবা মীশিংদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা অনৌবা কন্সটিট্যুএন্সি শেল্লবদি - কুকিশিংগী এম এল এ মশীং হেনগৎলগা, মীতৈশিংগী মশীং হন্থরক্কনি। থৌদৌ অদু তারবদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ফংদ্রবসু মখোয়গী পোলিটিকেল ভোইস হৌবা হেনগৎলক্কনি। কাইনথংদা মায় পাক্কনি- থাজবনি মখোয়গী। ●

# পলেম মমাগী ফিদম্নিংঙাই ওইবা শক্তম্বু নীংশিংদুনা থৌনা লিংজেল ফবী মীতৈ নুপীগী মতিক-মগুণ লাচল্লিবা সোনিয়া ওইনামগী মেমোয়র *ৱিভিং ড্রিমস* - লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা



- তোংব্রম অমরজিৎ -


পূন্সি হায়বসি নীংশিংবা তম্বনি। নীংশিংবগী ঈচেল মরক্তা মুৎনাইদনা লৈহৌরিবা শক্তমশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী নুংশিবা শক্তমদি পলেম ইমা অপোকপী অমসুং পন্থৌ অপোকপা মখোয়সু অমা ওইরি। মখোয় লৈরন্থনা মচা ওইবশিংনা মালেমদা তাইবঙ কুম্মৈ য়াওজদুনা তাইবঙ চীঞ্জাক চাদুনা পূন্সি পন্দোম লোম্না হিংনরি। মৈনা ৱাই তাংনা শম চারোল শুরোল, মীরোল অমগী মথংদা অমা মীওইবা খুন্নাইনা হিংদুনা লাক্লি। তাইবঙ য়ূম্বানবদা নুপী ওইবীশিংনা লৌরিবা শীংথানীংঙাই ওইরবা থৌদাং, খুন্নাই অমা লিংবদা নুপী ওইবীশিংনা মৈহৌরোলদগী লৌরক্লিবা তোঙান তোঙানবা শক্লোনশিং নীংশিংদবা য়ারোই। থৌনা লিংজেল ফবী কয়াগী ৱারী, সাইন্টিষ্ট কয়াগী পূন্সি ৱারী, লাইরিক-লাইশু হৈরবী, মীনুংশিতনা থল্লবী মাদর টেরেসাগী পূন্সি অমদি ফিদম নীংশিংদবা য়ারোই। মেরি ক্যুরি, রাচেল কার্সন, মার্গেট ঠেচর, ইন্দিরা গান্ধী কাউবা য়ারোই। মালেমগী পুৱারীদা শীংথানীংঙাই ওইরবী নুপীশিংগী ৱারী কয়ানি তারিবা। নুপী লাইরিক ইবী জেন আষ্টিন, ইমিলি ব্রোন্টি, ভর্জিনিয়া ৱুল্ফ, সিলভিয়া প্লাট, সোরোজিনি নাইদু, টোনি মোরিসন, অরুন্ধাতি রোই, জে কে রোল্লিং অসিনচিংবা কয়ানা মালেমসিদা অফবা, অচুম্বা, অওনবা অহোংবা পুরকপদা মখোয়না ইরমখিবা লাইরিকশিংনা মীওইবা খুন্নাইগী মাইওন লেপ্পদা অমদি পূক্নিং ৱাখল মীৎয়েং পাকথোক চাওথোকপদা চাউনা ইথিল পীদুনা লাক্লি। তৌইগুম্বসুং অঙনবা মতমদা মীওইবা খুন্নাইদা নুপী ওইবীশিংবু লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্নিং থৌগৎতবা অমদি খরা থেংথরকপদা মীখলদা ভোটিং রাইট ফাওবা ফংহনলমদবা কয়াদু কুনশুবা অমদি কুনমাথোইশুবা চহীচাশিংদদি অহোংবা কয়া লাকখি। লাইরিক-লাইশু তম্নরকখি, মীখলদা ফাওবা থোক্লক্তুনা লৈবাক অমগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখি। পূম্নমক মতমগী অওনবা অহোংবনা মীওইবগী মিৎয়েং ৱাখল হেন্না পাকথোক চাওথোক্লকখি। লাইরিক হৈবা লাইশু খঙবা নুপীশিং মশীং হেনগৎলকপনা লৈবাক খুন্নাইদা অফবা কয়াগী চাওখৎ লম্বেলদা মাঙজিল থানা থোক্লকপা লেপত্রি।

পীক্লবা চীংলৈবাক্কী ইরমদম মণিপুরদসু মৈহৌরোলদগী নুপী ওইবী চনু নিঙোলশিংনা খুন্নাই অসিদা লৌরক্লিবা থৌদাং কয়া শীংথাদুনা লোইবা নাইবা নত্তে। ঙসি মণিপুরবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপদা মণিপুরী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং পূম্নমক্না খঙনরি। লমদম অসিগী শান্ন-খোৎনবদা, কলচরদা, লাইরিক-লাইশুদা মাঙজিল থারিবসি নুপীশিংনি। খুন্নাইবু হীমাই চুম্বদা য়াইফ-নুংঙাইবগী লমদম অমা শেম্বদা মখোয়গী থৌদাং করম্না শীংথাদবা ঙমগনি। অদুনসুনি লাইরিক অসিগী মরমদা শক্নাইরবী এক্টিভিষ্ট বীনালক্সমি নেপ্রমনা ইরক্লিবা, "This memoir is a work of great love and deep faith, an extraordinary affirmation of the amazing grit, spirit, strength and resilience of not only the author's Ima but of all the mothers of Manipur. They are hope, our past, our present, and most of all, our future that holds the key to building a strong, resilient, and diverse Manipur."

লমদম অসিগী মিঠ অমদি লিজেন্দশিংগী ৱারীদগী হৌদুনা, চিনবুং ৱারীদা তাদুনা লাক্লিবা ফিশা-লোনশা তৌবগী লশিং, মোইথাপ নাইবগী, কাব্রং তীল য়োক্তুনা মুগা ফি শাদুনা, লশিং ফিগী পোথোক পুথোক্তুনা শাগৈ সলাইগী ফি, নুপা-নুপীগী মখল কয়াগী ইয়োংগী ফি পুথোক্তুনা লাক্লিবা ট্রেদিশন পূম্নমক মতমগী অহোংবা অওনবা লাক্লবসু লমদম অসিগী ঈনাৎ, চৎনবী থাজনবী কয়াদি লেঙদনা, কায়দনা চৎনরি। চীংদা লৈবা চীংমীশিং, তমদা খুন্দাবা তম্মীশিংনা মাগী-মাগী তোঙান-তোঙানবা ফূরূপ-কাঙলূপ্তা পোক্লরবসু ট্রেদিশনবুদি থাদোকপা লৈতে। লমদম অসিগী ট্রেদিশনবু ঙাক্নবা হোৎনবদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং য়াম্না চাওই। শীংথাবগী লোইবা নাইরোই। ফিশা-লোনশা তৌদুনা ইমুং অমগী শেন্মীৎলোন্দা কয়া য়াম্না মতেং তৌরি হায়বসি পূম্নমক খঙই। লমদম অসিগী নুপীশিংগী হৈথোই-শিংথোইবা, মখূৎ-মশা হৈবা, ইনোভেটিভ ওইবা, অখাঙ কনবা, পুকচেল চেৎপা, ইমুং-মনুংগী য়াম্না খঞ্জবা, মবুং-মৌপ্পাবু নীংজবা, পলেম-পন্থৌবু নুংশিজবা পূম্নমক মখোয়গী কখোকপা, মীনুংশি অমদি নীংহন্নদবা থৌনা অদুনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি।



লাইরিক্কী মমিং :-
ৱিভিং ড্রিমস (২০২৫)
অইবা :- সোনিয়া ওইনাম
অফোঙবা :- কোনার্ক পব্লিকেশন্স, ন্যু দেল্লী
লাইরিক্কী মখল :- মেমোয়র
লাইরিক্কী মখুম :- সোনয়া ওইনাম
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৬০০ (হার্দ বাউন্দ)
লমায় মশীং :- ১৬৫




হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২, ২০২৫দা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা ফোঙখিবা সোনিয়া ওইনামগী 'ৱিভিং ড্রিমস' মেমোয়র অসিমক লমদম অসিগী ইমাশিংনা মচা-মশুশিংবু শেন্বদা নীংহন্নবা লৈতনা কখোকপা অমা য়াওনা লৌরিবা নীংহন্নদবা থৌনা, মখোয়গী লিংজেল, মখোয়গী মীনুংশিতনা থল্লবা থম্মোয়, খুন্নাইবু অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনীংলিবা ইমাশিং অমদি চনু নিঙোলশিংগী ফিদম্না মশক ওইরবা ৱাখল্লোন, লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন চাওখত্তবা য়াদে, মীপান তাংদনা হিংবা তমগদবনি হায়বগী ফিরেপ, মচা-মশুশিংবু মীমান্ননবা হোৎনদবা য়াদে হায়না লৌরিবা ফিরেপ অসিনচিংবা পূম্নমক নীংশিং ৱারী লাইরিক অসিদা মমি চাউনা তারি। লাইরিক অসিগী ফজরবা অমদি ৱাহন্থোক কয়া য়াওরবা ৱাহৌদোক অমা হান্নগী চীফ সেক্রেটৈরি জর্নেল সিংহনা ইরি। পন্দুপ ১১ খায়দোক্তুনা ইরিবা নীংশিং ৱারী অসিদা অইবীনা ফর্ষ্ট পর্সন নেরেশন্দা অপাবশিংদা অপোকপী মমানা অমদি মমা ওইবীশিংনা ইমুং অমদা লৌরিবা চাউরবা থৌদাং, মখোয়গী মীনুংশি অমদি থৌজাল, মখোয়গী কখোকপা হৈবা, ঙাকপী হৈবা থম্মোয় পূম্নমক শৈথারি। অইবী সোনিয়া হান্নসু শৈরেং লাইরিক অমা ইংলিসতা ইদুনা ফোঙখ্রবী অইবীনি। অদুনা মহাক্না ইরিবা নীংশিং ৱারী অসিদা কবিতাগী ইলিমেন্ট কয়া য়াওবা থেংনৈ। মণিপুরী ইমাশিংগী লিংজেল থৌনা অমদি হোংনবা কনবগী সিম্বোল অমা ওইরিবা মালেমদা পংনা লৈতবা ইমা কৈথেলগী মরমদসু সোনিয়ানা মহাক্কী প্রোলোগতা মরীক চুম্না ফোঙদোক্লি। পলেম ইমাগী খোল্লাং লমনদি মপোক চাম্মরক পোক্লবসু মচা ওইবশিংনা শিংবা ঙল্লোই হায়নরি। অদুনা অপোকপী মমাবু নীংশিংদুনা লাইরিক অসিমক অইবীগী অপোকপী মেমচাগী মফমদা কখোকচরি। অপোকপী মমা কুমজা ২০১৯দা তাইবঙপান থাদোকখি। মেমচা লাইরিক ময়েক চত্তে অদুবু মচাশিংবুদি লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈহন্নীংখি। অইবীগী অপোকপসু মণিপুর পুলিসনি। ও সী ওইরমখি। মহাকসু ঙন্না নোঙ্গাখি। অদুবু মখোয়না পোক্লিবা মচা ৬তদি ফিদমগী মশক ওইরবা পাড়া কয়া তাকপীরমখি। মমা মেমচা য়াম্না নৌরিঙৈদগী হৌনা ফিশা লোনশা তৌদুনা মপামদা লৈরিঙৈদগী হৌনা মতম্থু লিক্লা শীজিন্নজবী লিরি খোইরিনা লৈরকপী চনু নিঙোল ওইনা হৌরকখিবদুনা য়ূম পাল্লবা মতুংদসু ফিশা লোনশা তৌবগী শিনফম অদুদি খক থাদোকখিদে। সোনিয়াগী মমানা লাইরিক হৈহৌদবগী নীংঙমদবা অমদি লোয়নদুনা লৈখি। মমাগী থায়নগী ৱারীশিং মচাশিংদা হেক হেক লীবদা সোনিয়ানা অপোকপী মমাগী পূন্সিদা থেংনরকখিবা খুদোংচাদবা অৱাবা, নুংঙাইবা, নুংশিবা ৱারীশিং ইনীংখি। নুমিদাং চাক তোক্লবা মতুং হেক হেক পলেম মহাক্না শানখিবা ৱারীশিং লাইরিক ওইনা ইদুনা ফোঙদোক্লিংবগী অপাম্বা লৈখি। অইবীনা মমানা লীরম্বা ৱারীশিং দ্যুএল ফর্ষ্ট পর্সন নেরেশন্দা নিংথিজনা লীবা থেংনৈ। মসিনা অপাবশিংবু ঙসিদগী চহী ৫০/৬০ মমাঙগী মণিপুরী খুন্নাইদা ট্রান্সপোর্ট তৌদুনা পুরগা হৌখিবা মতমগা নৌহৌননা শকখঙনহল্লি। ফিশা লোনশা তৌদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা কয়া য়াম্না মতেং পাংলিবা হায়বদুসু লাইরিক অসি পাবদা থেংনবীগনি। অদুগা অইবীগী মমানা মহাক্কী কৈরোই লৈকায়দা লৈরিবা নুপীশিংবু খোমজিন্দুনা ফিশা-লোনশা তৌদুনা য়ূমগী কুপ্লোমদগী হেন্দোক্তুনা কমদৌনা শেন্থোক হেনগৎনবা হোৎনগদগে হয়বসিদা হোৎনখিবা কয়াদু মরীক চুম্না ইরি। মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলূপ-ফূরূপ কয়ানা শীজিন্নরিবা ইয়োংগী পোথোকশিংগী মতাংদা মণিপুরী কলচর অমসুং ট্রেদিশনগী মরমদা লমদম অসিগী পুৱারী মতাংদা মতাং চানা, মরীক চুম্না ৱাহৈনা লংলা ওইদুনা নীংশিং ৱারী অসিবু মতিক ময়াই চেন্নবা যেন্দজিল্লি ফজরবা লৈরোংনা চরৈ ফিদা হৎপগুম্না। ইংলিসতা ইরিবা মেমোয়র অসিদা অইবীনা মণিপুরী লোলগী ফজবা ৱাহৈশিং শীজিন্নরি অদুগা ইংলিসতা ৱাহন্থোক পীরি। মণিপুরী ইংলিস অমদি শেন্লি। লাইরিক ফোঙবা নুমিত্তা ওজা শিলারমনীনা হায়খিবদুমক অচুম্বনি। লাইরিক অসিমক মণিপুরী রাইটিং ইন ইংলিসনি। লাইরিক অসিদা মণিপুরী ইমাশিংগী থৌনা লিংজেল, মখোয়গী অখাং কনবা, হোৎনবা লেপ্তুবা অমদি ধর্ম্ম চেনবা থম্মোয়না লংলাগুম্না চেৎনা পুন্দুনা লাইরিক অসি নীংথিজনা ইরক্লি হায়বা লাইরিক অসি পাবদা থেংনবীগনি। লুখ্রাবী ওইদুনা লৈহৌরবা মতুংদা অইবীগী অপোকপী মমানা মহাক্না লৈশারিঙৈদগী হৌনা থৱায়না পামজনা পায়রকখিবা ফিশা লোনশাগী শিনফম খক থাদোকখিদে। ইমা কৈথেলদা পোৎফম অমা ফমখি। পূন্সিদা মঙখিবা মঙলান কয়া ইয়োংগী চরৈ ফিদা লাচল্লি। লেঙদ্রবা ময়েক্না ইবা পামজখি মেমচানা। মদুমক সোনিয়ানা লাইরিক ওইনা ফোঙবসিনা মঙলান অদুদি মঙফাওনবা ঙম্বরা হায়না খল্লি।

লাইরিক ময়েক চৎখিদ্রবসু লাইশু নীংথিজনা খঙবা অফবা ফিদম্না লৈতেংলবী মমা অমা ওইবনা মচাশিংবু মীমান্নবা অমদি মীরক তিন্নবা হোৎনরমখি। মসিমক তমজনীংঙাইনি। জর্নেল সিংহনা লাইরিক অসিগী মরমদা ইরি, "This book by Sonia Oinam is a must-read for all those interested in understanding the difficulties, struggles, and pivotal roles of Imas(mothers) in meaningfully enriching their families in Manipur. It portrays them not only as devoted mothers but also as financial providers" সোনিয়া ওইনাম ক্বাকৈথেল ময়ায়কোবী ইম্ফালদা তাইবঙ খোঙদারকখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্সতা পি ঐচ দি ফংখি। মহাক এম সী এসনি। হৌজিক্না লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটৈরি ওইনা থৌ পুরি। মতুং তারকপদসু ফজরবা পাউজেল কয়া পুবা লাইরিক মথং-মথং ইবীরকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# মকুদো, মমৌদো, মচানুপাদো

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

য়াওশঙ স্পোর্টসকী পাঙথোকপা মখল-মথেলগী খূৎশান্না কয়াদা নত্তনা অয়াম্বা কুম্মৈ অদুম ইয়াওদা য়াওরকপী, মকোক্তা তাগনবী খুরা বিরেনগী মমৌনুপীদো লৈকায়দা শোন্নৈ ঈংবদা-ফজবদা, লেম্বদা, ৱা কয়া ঙাঙগন্দে, নোকফেৎতি য়াম্না তৌগল্লি। লৈকায়গী মশুং-মমান্নবী মৌশিংগসু কয়া পুনগন্দে। মফি-মরোল তরু-তনান্না শেৎ চাই। মশাদা থোংবা মফি-মরোল চেকশিল্লি। লৈকায়দা মনেম-মকুম্না মচা-মমৌ চৈবদা শোন্নৈ, তা বিরেনগী মমৌনুপীগী মতৌ তমজৌনে! লৈকায়দুদা য়ূম পাল্লক্লিবা মৌ অয়াম্বনা মশানা মশাবু ঐ মঙাইরে ফজবা হায়না খঞ্জবা, জর্দা ক্বা, খৈনি চাবীসু য়াওরে, অনিকপী পামজবী মৌসু অদুম য়াওই। অনপ্পী খোঙ্গ্রাও শেৎকনবী মৌসু অদুম য়াওই। কোক ৱাংবী হিন্দিদা লোনবী, ইংলিসতা লোনবী, ৱেষ্টর্ন নুপী মান্নবা মশম অঙাংবী, অৱাওবী, চুজাক্কী মশম মালহনবী কয়াসু য়াওরি। লৈকায়দুদা লৈরিবা মৌশিংদুগী মরক্তা তশেংনা ওফিসর অচৌবা ওইবসু য়াওরি, ওজা ওইবীসু য়াওরি। মখল-মথেল শুরে লৈকায়দুদা লৈরিবা মৌশিংসে। চীঞ্জাক্তি অরোইবীনি, পঞ্জররোই।

ইবেনধৌ ইমোইনুনা খ্বাইদগী য়াদবা চাকখুমদা কৈনো-কৈনো থোংজিনবদুনি মহৈ-মহৈ লৈকায়দুদা তৌনরিবসি। মখল-মখলগী মৌশিংদুগী মরক্তা খুরা বিরেনগী মমৌনুপী থাদোই অরায়বা মৌ নত্তে হায়বসি ময়াম্না খঙবীদে। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মপান্দা তম্লকপনা লোল-লি য়াম্না লিংই, মী কিদে, বোক্সিং হৈ, টাইক্বান্দোদদি নেশনল গেমসতা দেল্লীগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবদা গোল্ড লৌখি। এরোবিক চাং নাইনা শান্নবা চৎলকই লৈশারিঙৈদা। মা এক্টিংসু য়াম্না হৈ, ফিল্ম মতেক অমদদি য়াওখ্রবনি। ঈশৈদি মীতৈগী খুনুং ঈশৈদা ঙাওজে।

থাদোইসে মকোক য়াম্না ৱাংই, মানা লৈরুগদবা ইমুংদুগী মরমদা মানা হান্না থিদোকই, হয়েংৱাই লৈরুবদা নুংঙাইনবা হায়দুনা। মানা পূম্নমক খঙদোক্লে, মকুবোক ওইগদৌরিবা খুরা বিরেনসে লিকপদদি শুমনি, মরল-মথুমদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে লৈরিবা। থাদোইগীদি মকুবোক্লা চাল্লগা লোইরে খঞ্জে। মাগী নুপাগীদি অরাইবনি। লিকমন্দনা তা বিরেনদো মশা ঙমদবা ফাওবা লায়েংনি খঙদে।

ঙাঙবা-শকপদা রাশি লৈবা ঐখোয় লৈকায়গী মোচানা হন্দক লৈকায়গী ক্লবতুদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা মানা কোইচেন চেন্দুনা শিল্লে। লৈকায়দুগী শেল পায়বদা মমিং চৎলিবা লুপা অমফাও মীঙোন্দা পীথোক্কনি খঙদ্রবা খুরা বিরেন পাউ অসি তাবদা মা য়াম্না হরাওরে। খুরা বিরেনগী হকচাংদু নুংঙাইতবদি য়াম্না লৈবজাৎনি। লিকপদগী লায়েংদবা মাল্লি। লেম্না লায়েংবগী কেম্প নুমিৎতু য়ৌরক্লে। খুরা বিরেনদু ঙন্তা থৱায় য়াওনা চৎলি। থৌরম হৌদোকপা ওইনা মেদিসিনগী ডাক্তর অমনা দাইএবেটিস লায়না করম্না ওইরকপনো হায়বগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

ডাক্তরনা হায়, দাইএবেটিস হায়রিবা অনাবসি ওইরকপগী মরম অহুম লৈ। ১) ইমা পূবুংদগী পেনক্রিজদা অশোয়বা লৈরকপা। ২) ইমুংদুদা মমা-মপা অনাবা অসি লৈরকপা। ৩) হকচাং শাজেল, হুমাং তাবা থবক তৌহৌদবগীনি। অসুম্না খুরা বিরেনদু হেল্থ কেম্পতুদা হকচাং চ্যেক তৌহৌবদগী মা দাইএবেটিস লৈরে খঙলকখি। ডাক্তরনা হায়রকপা মতুংইন্না হকচাং শাজেল তৌবা হৌরে। হুমাং তাহল্লে, মশাদু য়েংবা নুংঙাইরে। খরা লৈরগা য়াওশঙ মতম য়ৌরকপদা লৈকায়গী স্পোর্টস শিল্লিবা ক্লবকী মেম্বরশিংনা খুরা বিরেনহোয়দা শেল খায়বা চঙলম্মী। অহানবদা খুরা বিরেন শেল হাপ্তুনবা হোৎনৈ অদুবু ঙাঙবা-শকপদা লৈশি লৈথোনবা ক্লবকী সেক্রেটৈরি মোচানা হায় -"হন্দক হেল্থ কেম্পতু ক্লবনা শিনবদগী খুরাগী অনাবদু খঙহৌরিনি। য়েংলমদ্রদি খুরাসি অনাবা হেঞ্জিনদনা পূন্সি তেল্লমগদবদগী ক্লবনা কলহৌবনি খুরা। খুরাদি ক্লব অসি য়াম্না লুনা তৌফম থোকই।" লৈকায়গী য়ূমথোঙ খুদিংনা খায়রকপা শেলশিংদু মাইকতা কনানা কয়াম খায়রক্কে হায়না লাউথোকপদা খুরাগী মীংসু য়াওরক্কদৌরিবনি।

খুরাদু য়াম্না মুন্না খল্লি, ঐ চোপ্পা য়াবদি নত্তে। সেক্রেটৈরি মোচাদা খুরানা-অতৈদি কয়াম-কয়াম হাপ্পরকই হংই।

মোচানা - মখারোমগী শেল পায়জদবা তাদা মীখু ফাওবা লুপা লিশীং ২০ হাপ্লকই হায়জিল্লি।

মীখুনফাও লুপা লিশীং ২০ হাপ্লক্লদি ঐনা করিগী লুপা লিশীং ৫০ হাপ্লোই।

অসুম্না অরিকপা খুরা বিরেনদগী য়াওশঙগী লুপা লিশীং ৫০ হাপহল্লবনিনা য়াওশঙদু মচু তানা শিল্লে। সেক্রেটৈরি মোচানা মৌশিংগী তৌবা ঙম্বা উৎপা ইভেন্ট অমা হাপচিল্লি য়াওশঙ স্পোর্টস লোইবা নুমিৎতা। স্পোর্টস লোইবা নুমিৎকী লোইশিন থৌরমগী অথোইবা লেঙবীরকপা ওইনবা খুরা বিরেনদু হায়রুরে মানা শেল ইয়াম য়াম্না কৎলকপগী থৌগল্লোন উৎপা ওইনা। খুরাদো হরাওই, মানা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইবদুদা। নুমিৎতু খুরা ঙন্তানা লাকই। য়াওশঙ স্পোর্টসকী শান্নবুংদুদা। ময়াম্না তরাম্না ওকপীবা অদুদা খুরাদো থম্মোয় পেনখিবা মাল্লি।

প্রোগ্রাম মথং-মথং পাঙথোক্লবা তুংদা মৌশিংনা মানা-মানা হৈশিংবা উৎকদবগী থৌরাং তৌরো হায়না মাইকতা লাউথোরকই। মৌ ময়াম মানা-মানা হৈবা অনিকপী, ঈশৈ শকপনা শকপা, মীগী মতৌ তম্বা অমদি অতৈ অতৈ মখল মখলনি। অরোইবদা ইতৈমা থাদোই থোকপীরক্লো হায়না কৌথোরকই।



ইতৈমনা য়াম্না লেম্না নুপী ওইবীগী ঈংনা-তপ্না থোরক্লগা হান্না শেৎলিবা ফনেকতুগী মনুংদা 'dobok' দ্রেশ অমা শেৎতুনা লাকপজাৎনি। হান্না নেক্লগা পুরকপা নুপামচা অমনা ফিট ৭মুক ৱাংনা পায়রিবা উপাক অদু ইতৈমনা য়াহ হায়না চোংখৎলগা কাওবদা উপাক্তো অনী থোক্না শেগাক কাইরে। ইতৈমগী তৌবা ঙম্বা অদু উরুবদা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইরিবা খুরা বিরেননা ফুক হৌগৎলক্লগা ইঙক-ঙক্না য়েংলগা হায়রকই - অসিবু ঐগী ইমৌ থাদোইরানে !

ময়াম খূবাক খুনৈ। মতমদুদা মপানগী টিভি চেনেল অমগী রিপোর্টর অমসু, মমিণপুরগী য়াওশঙ কুম্মৈ, স্পোর্টসনচিংবা কোভর তৌবা তান চানরুদনা ইতৈমগী চোংখৎলগা কাওবদু মখোয়না কোভর তৌখি।

রিপোর্টর অদুনা ইতৈমদা - করি-করিনো য়াম্না হংই ইংলিস লোলনা। মোইনা হংলিদো অসিনি - অসিগুম্বা কিক কাওবা ঙম্বা নুপী কয়াম লৈ লৈকায়দুদা।

ইতৈমনা খুম্মী - নুপী খুদিংমক লোইনা হৈ হায়না খুমজিল্লি।

ইতৈমনা য়াম্না থৌনা লৈনা ইংলিস লোলদা শাইরগা ঙাঙথরকপদা লৈকায়গী মীয়াম্না য়াম্না ঙক্নখি। লোইশিল্লকপদসু হিন্দি লোল খরসু লোনখি। ইতৈমগী মগুণসি অঙকপনি হায়না লৈকায়দুগী মীওই পূম্বনা শোন্নখি।

মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম য়ৌরে। ইতৈমগী মিং লাউথোরকই। ইতৈমনা মনা লৌবা চঙবদা -ইশুদুদি কনাদা শিন্নরম্মী হায়না খুরা বিরেননা হংই মমৌনুপী থাদোইদা।

থাদোইনা - ইকু, মপানা অঙাংদু লৌবীহৌরগে হায়দুনা লৌহৌরে।

নীংঙাই তৌরল্লোইদ্রনে?

"মপানা পোহৌরে কৈসু তৌরোইদা। মাগী হার হাপ্তুবা ফার্মদুদা য়োৎপাক তৌরুনি চৎহৌরবনি... ইকু"।

ফরে-ফরে।

মনা-মথুম য়েনবা লোইরবা তুংদা অরোইবদা খুরা বিরেনগী ৱারোলদা - লাইরিক অমগী মগুণ মখুম্না খক খঙবা ওইথোক্তে হায়খি।

অসুম্না তিল্লল্লিবা লৈকায়গী মীশিংদো ইতৈমা থাদোইগী মরমদা ৱারী শারা-শারদুনা ময়ূমদা হন্নখ্রে। ●